# হুইয়েন লানপাউ

নিংথৌকাবা, জন্যুৱারী ০৩, ২০২২, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ২৭৭শুবা মশীং


## কোভিদ এপ্রোপ্রিএট বিহেবিয়র

### কদাই ফাওবা ঙাক্না চৎনরিবগে

মালেমগী মীহাৎ লায়না ওইরিবা নোভেল কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) দগী ঙাকথোকহৌনবগীদমক শোয়দনা ঙাক্তুনা চৎকদবা কোভিদ এপ্রোপ্রিএট বিহেবিয়রশিং কদাই ফাওবা ঙাক্না চৎনরিবগে হায়বা ৱাহংসিদি হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভমসিদা হংফম থোক্লে। হংলকপা য়াবা ৱাহং ফাওবা ওইদ্রে। মরমদি নবেম্বর ২৪, ২০২১দা সাউথ অফ্রিকাদা দিটেক্ট তৌখিবা কোভিদ-১৯গী খ্বাইদগী নৌবা ভেরিএন্ট 'ওমিক্রোন' না লৈবাক ১০০ হেন্না শন্দোরকপগী মনুংদা ইন্দিয়া য়াওরে। লৈবাকসিগী ষ্টেট খরদা অনৌবা ভেরিএন্টসিনা নাহল্লকপা মীওইশিংগী মশীং দিসেম্বর ২৮, ২০২১ ফাওবদা ৫০০গী মথক্তা লৈখ্রে। পীকখ্রবা মণিপুর ফাওবদা য়ৌশিল্লক্তুনা ষ্টেটসিগী অহানবা কেস থেংনরে। অনৌবা ভেরিএন্ট অসিগী ফীভম অসি য়ৌশিল্লক্লবসু ওমিক্রোনসি অমদগী অমদা শন্দোকপা ঙন্বগী মপাঙ্গল হান্নগী ভেরিএন্টশিংদগী শরুক অহুম হেল্লি হায়বদনি, থোইদোক্লা মীপাইনীংঙাই ওইদে হায়রি হায়দুনা লৈথোকপা য়াগদৌরিব্রা? মীপাইনিংঙাই ওইদে হায়রিবসি মশা-মউ ফবা নুপা-নুপীশিং অমসুং অকনবা অরুবা লায়নাগা শাগোন্নরক্তবা মীওইশিংদদি চুন্নকপা য়াই। অদুবু কোভিদ ভেক্সিন অহানবা অমসুং অনীশুবা দোজশিং কাপথোক্লবা ফাওবদা 'কো-মোর্বিদিটি' থোকহল্লক্লগদি কলহৌবা ঙমদবগী ফীভমশিং মায়োক্নরিবসিদদি কোভিদ এপ্রোপ্রিএট বিহেবিয়রগী ৱাফমসি থরেক-থরেক্লদুনা লৌফম থোক্লিব্রা? অদুবু খ্বাইদগী ঙক্লিবদি চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপগী মায়কৈরোমদদি অহোবা কয়া লৈরি। হেল্থ দিপার্টমেন্টকী দিসেম্বর ২৮, ২০২১ ফাওবগী রিপোর্টতা নুমিৎতু ফাওবদা মণিপুরগী কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা শিহনখিবা মীগী মশীং ২০০২ শুখ্রবনি। অপূনবা পোজিটিভ ওইরবশিংগী মশীংনা ১,২৫,৪৭৪ শুখ্রবনি। অদুগা কো-মোর্বিদিটি থোকহল্লগদি ভেক্সিন কাপথোক্লবসু কনবা ঙমদে হায়রগসু খজিক্তং শাফবা পান্বে অমা ওইরিবা কোভিদ ভেক্সিনেসনগী চাংনা নুমিৎসি ফাওবদা মণিপুর পূম্বগী ওইনা চাদা ৭০ য়ৌনা হিদাক কাপথোক্ত্রিবনি। মসিগী মনুংদা অনীশুবা দোজ ফাওবা কাপথোক্লবশিংগী মশীংনা চাদা তঙ্খাই য়ৌদ্রিবনি। ওইরিবা ফীভমসিদদি লায়নাসিগী মতাংদা মণিপুর করি ওইরকপা তাবগে?

ৱাহংসিগী পাউখুম পামদে। মসিগী মহুত্তা মণিপুরগী মীয়াম্বু তমথীরবা মীহাৎ লায়নাসিদগী কলহৌনবা হোৎনহৌগদবনি। হোৎনদে হায়বা নত্তে। হান্নদগীসু হোৎনদুনা লাক্লি, হৌজিকসু হোৎনরি। অদুবু হোৎন-হোৎননা চহী অমগা থা ৯ লোমসিদা মীওই ২০০২গী পুন্সি মাঙখ্রে। মীওই ১,২৫,৭৪৭ পোজিটিভ ওইখ্রে হায়বনি। অদুগা তাঞ্জাসিদা লেটেষ্ট ভেরিএন্ট ওমিক্রোন অমুক য়ৌশিল্লকপনি। অদুবু ফীভমসি য়ৌরক্লবসু চেকশিনবগী চাংদি খোইনা চিকখ্রগা হয়িং পাইবা য়াদে হায়বদুমক থোক্ত্রি। সেকেন্দ ৱেভকী ফীভম খরা শাফরক্লে হায়দুনা মীয়াম পুনফম-তিনফম ওইরিবা এক্টিটিভি খরদা থম্লম্বা অথিংবসু কোমথোরক্তুনা হৌজিক মহৌশা-মহৌশাগী মতৌদুদা হঞ্জিল্লে হায়বা ফাওবা য়ারে। অদুবু য়ুনিয়ন হেল্থ সেক্রেটরি রাজেস ভুষননা দিসেম্বর ২১, ২০২১দা চীফ সেক্রেটরিদা ইদুনা খঙহল্লকখিবা ৱাফমগী মথক্তা দিসেম্বর ২৭, ২০২১দা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী অমুক্কসু পীরকখিবা কোভিদ এপ্রোপ্রিএট বিহেবিয়রগী চেকশিন ৱাশিংদুনা কমদৌবা? খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল য়াওনা মণিপুরগী কৈথেলশিংদা পোৎ লৈবা লাকপশিংগা য়োল্লিবা মীওইশিংগগী মরক্তবু ফুট ৬কী সোসল দিষ্টেন্দিং ঙাক্না চৎনরমগদ্রা? দুকানশিংদসু চপ মান্নে। অদুগা বেঙ্ক, পোষ্ট ওফিস, ওফিস, স্কুল অমসুং কোলেজশিংদসু তঙাইফদনা ঙাক্কদবনি হায়রিবা ফিজিকেল দিষ্টেন্সিংগী কাঙলোনসি ঙাক্না চৎনরিব্রা হায়বসিনি। মতাংসিদা এক্সপার্টশিং লৈরিবা হেল্থ দিরেক্টোরেটনা লৈঙাক্তা অমসুং মসিগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনদা মতাং চানা মরী লৈনবা চেকশিন পাউতাকশিং পীফম থোকই। সোসল গেদরিংগী থৌওংশিংদগী সেন্টরদগী চেকশিন্নবা চেরোলশিং মনম-মনম থাজিল্লকপদগী ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিগী ষ্টেট এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মায়কৈদগী চীফ সেক্রেটরি রাজেস কুমারনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনশিংদা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎনবা দিসেম্বর ২৭, ২০২১দা ওর্দর অমা থোকখ্রে। ওর্দরসিনা পীরকপা দিরেক্সন মতুংইন্না দিসেম্বর ২৮, ২০২১দসু দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা মাগী মাগী জ্যুরিসদিক্সনশিংদা ক্রিমিনেল প্রোসিজর কোদ, ১৯৭৩গী সেক্সন ১৪৪গী মখাদা প্রোহিবিটরি ওর্দরশিং থোক্লখ্রে। অদুবু মসিদি এদমিনিষ্ট্রেসনগী ওইবা ওফিসল প্রোসিদিংনি। অকনবা অমসুং অহকপা ওর্দরসি ইফেক্টিভ ওইনা থবক্তা ওন্থোক্তুনা চৎনহনবদুনি হৌজিক মথৌ তারিবসি। মসিগীদমক লৈঙাক্না লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎতুনা তঙাইফদনা ঙাক্তুনা চৎকদবা কোভিদ এপ্রোপ্রিএট বিহেবিয়রশিং চেকশিন্না ঙাক্তুনা চৎনহন্নবা থবকশিং থিন্থদনা পায়খৎপা চুমগনি। মালেমগী মীয়াম পূম্নমক্কী য়েক্লবা ওইরক্লিবা কোভিদ-১৯গী মতাংদদি শগোল হঞ্জিন কৈনা চাবগী থৌদৌদু তাহন্দবা চুমগনি হায়নীংই।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৩

১) *"তালোই মরুম্বী, মপারি নুংজানবা, মমোম নুংঙোনবী মরল য়াৱা পুজাও রোইবা পুন্নমাসুং অমল য়াইথোং কুম্বদা ৱাইর লমজেন ফিগুম ঙাইরোইনদে। গুরুমপাওতাক ফংজবদা -- ৱারমসনা মৈখাংবদুম নামপ্রকাশ ময়েক অহুমমানা ৱাকয়ে হিগা ওই, লমলোই থৌদোক খোলনা খুমুনৌগা ওই, ৱাচুম ললওইননা মানা মানা নিংবদা লাংওনখিএ। অসিগীদমকপু গুরুসনা মাখোংখাদা নোন্না লনথোই তানববু থিনফরোইএ"* ৱাহে পরেংশিং অসি করি লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো?

২) **"শ্রী শ্রী গোবিন্দজী বসন্ত হোলি লিলা শৈশক শৈরেং"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

৩) ***"ইচে বীনো"*** হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) ***"ফিমন খুনবা"*** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কৃষ্ণমোহননা হন্দোকপনি। লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অদু কনানা করি লোলদা ইবা করি মমিং কৌবা লাইরিকনো?

৫) ***"মীকুপ খরদুই পুন্সিগী মহাও"*** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# লৌমীশিংগী কাখল

## লৌউ-শিংউগী ৱাহং পাউখুম

| পাউখুম পীবিরিবা ঃ |
| --- |
| ডা. এম থোইথোই সিংহ |

**Q.** আলু মনাশিং য়াম্না কংশিল্লে। মনা মতোনশিং কেম্বসু য়াওরে। মসিবু করি হীদাক কাপকদগে?

- বীরবাবু, কোন্থৌজম

☞ আলু মনা কংবসি লেট ব্লাইট অমসুং আর্লি ব্লাইটনা কংবা ওইরম্বসু য়াই। মনাগী মতাই থংবা শরুক্তগী চোৎ-চোৎ লাওনা মুশিনবা অমসুং অয়ূক্তা য়েংবদা মনাদুগী মখা থংবা শরুক্তা কোকফাই অঙৌবা কাবা খরা লৈরগা মনাদুমক ক্রেম - ক্রেম লাওনা কংলবদি লেট ব্লাইটনি। মনাগী ময়ায় নৎত্রগা মতাইদবু ওইরবসু ঈশিংদা লৈতুম থাদবদা লৈরিবা ইপোম ময়ামগুম মানবা দাগ লৈরবদি Metalaxyl অমসুং Mancozeb অনীগী অপূনবা হীদাক গ্রাম ৩০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোকসি। পান্বীগী মতোনলোম থংবা শরুকখক কংলবদি উন্না কংবা ওইগল্লি। মখা তানা উন্না অমুক হন্না শোকচিন্দ্রিঙৈদা Imidachloprid 17.8% অমসুং Dimethyl Sulfoxide 38.4% য়াওবা Control মিলিলিটর ২০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোকসি। মসিনা উন ঙাকথোকপদা আলু পান্বীদা তাবা ভাইরস লায়না কয়াবু শন্দোকপা মহী চূপ্পী তীল কয়াবুসু হাত্তোকই।

**Q.** থাওগীদমক থাখিবা হঙ্গাম হৌরে। মনা মরি শুরে। অদুবু খরা খরা কুথবা মফমশিংদদি হঙ্গাম পান্বীশিং খরা ঙাংশিন্না উই। মশা ফবসু ৱাৎলি, খরা নেমশিন্না লৈ। মসিবু করি হীদাক কাপ্লগা হেন্না ফগদগে?

- রোবেন, তেকচম

☞ পান্বীশিংগী মনা পূম্নমক চোৎনবা Pushpak মিলিলিটর ২০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা শঙম অমা চাওবা লৌফমদা হীদাক মিলিলিটর ১০০ কাপথোকসি। ঙাংশিনবা ফরনি, পান্বীসু চাওরনি।

**Q.** আলু পান্বীগী মখোঙদা ইঞ্চি অমা মখায়মুক মুরগা পান্বীদু খুইথরকপা/পত্থরকপসিবু করম্বা হীদাক কাপকদগে?

- অমুজাও, ৱাংজিং

☞ Bactowin গ্রাম নিপান (গ্রাম ২৫গী পেকেটতু শরুক অহুম থোক্লগা শরুক অমা) ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা পান্বীগী মথক থংবা শরুক মখৈ (মখোঙ য়াওনা) চোৎনবা কাপথোকসি। নুমিৎ নিপান্নি কান্নরগা অনীরক কাপথোকসি।

**Q.** চনম অমসুং তিলহৌ পান্বীশিং তুথরগা অয়াম্বা লৈ। মনাদা দাগনচিংবদি অমত্তা লৈতে। হন্দক নোং চুখিবদুনা লৈবাকসি ইচোৎ চোৎনা লৈ। ফুট ৫০ মুক শাংবা ফৈদোম তরেৎনি। হকচাং শোকলোইদবা ওর্গেনিক্কী হীদাক ওইনা পামজৈ।

- রোহিৎ, খোইজুমান

☞ Wellpotash কাপসি মিলিলিটর ৫০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা নুমিৎ ১০নি কান্নরগা অনীরক কাপথোকসি। য়াম্না থুনা ফগৎলক্কনি।

**Q.** হৱাই মখয়াৎ মুবী পান্বীশিংসি মসা য়াম্না লোংবা অমসুং য়াম্না ৱাংবসিদা পাউদরি মিলদিয়ু অমসুং য়েল্লো রষ্টকী হীদাক কাপ্লসি কয়া খুদোং চাদে। হীদাক কাপ্লদা পান্দবা মফম য়াম্না য়াওই। অরায়বা পান্বে অমত্তা হায়বীরকউ।

- ইবোমচা ৱাবগাই

☞ মিটর অমা পাকপা ফৈদোমদা, চৈ ময়াম অমা য়ুংশিল্লগা থাবা অৱাংবা হৱাই পান্বীশিং হীদাক কাপ্লদা নত্তনা হেকপা ফাওবা খুদোং চাদে। চৈ য়ুংবদসু শেল য়াম্না চঙই। খূৎশুমলসু ৱাংই। মসিগী মহুৎ প্লাষ্টিকনা শাবা UV Stabilized Trellis net শিং শীজিন্নবা য়াই। মিটর ১.৫ ৱাংবা, ফুট ৩০০ শাংবা, মমলসু লুপা ৯৫০দগী ১২০০ ফাওবদং পীবা, চহী মরি-মঙা চৎপা শেম শাবদা খূৎ চঙদবসি ওইনা শীজিন্নবা ফৈ। মথংগী নিংথৌকাবা নুমিৎতা খরা হেন্না কূপথনা কলম অসিদা থমজরক্কে।



*এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ*
**[ফার্মরশিংনা লৌউ-শিংউগা মরী লৈননা, ঙা, শা-ষণ য়োকপনচিংবগা মরী লৈনবা ৱাহংশিং চিঠি ইরগা থাবীরকউ।]**
**চিঠি থারকফম**
**এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ**
**সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায় ইম্ফাল, ৭৯৫০০১**
**নৎত্রগা**
**অদোম্না লৌউ শিংউবা, শা-ষণগা মরী লৈনবশিংগী মতাংদা খঙবিনিংবা লৈরবদি ঈ-মেল *hueiyenagri@gmail.com* দা চিঠি থাবিরক্তুনা হংবিরকপা য়াগনি।**

## শেল চঙদবা মওংদা পেংবা মচিঞ্জাক পীজবগী থৌওং

**ডোঃ য়ূম্নাম বেদজিৎ**

পেংবা হায়রিবা ঙা মখল অসি ময়ায় ওইরপ তৌনা চাওবা কার্পস হায়বদি ময়াম্না য়োক্নরিবা রৌ, কটলা, ম্রিগলগুম্বা ঙা মখল অমনি। হায়রিবা ঙা অসিগী বৈগ্যানিক ওইবা মমিংদি ওসটিওৱামা বেলানগেরি কৌই। ময়াম্না হেন্না খঙবীরবা ৱাফম অমনা পেংবা অসি ঐখোয়গী ইরমদম হায়বদি মণিপুরগী ষ্টেট ফিশনি। মহাউসু য়াম্না লৈ অমদি মমলসু য়াম্না তাঙই।

পেংবা হায়রিবা ঙা মখল অসি চিনৱিন্দ দ্রেনেজদা তাবা ঈশিংশিং হায়বদি মণিপুরগী ওইনা নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা ঈশিংশিং, ম্যান্মারগী চিনৱিন্দ দ্রেনেজদা তাখি। হায়রিবা ঈশিংশিং মরু ওইনা লোক্তাক পাৎ, ঈরিল তুরেল, ইম্ফাল তুরেল, নম্বুল তুরেল, থৌবাল তুরেল, মণিপুর তুরেলনচিংবদা ফংই। ম্যান্মার অমদি চৈনাগী য়ুনান প্রোভিন্সতসু ফংই। ইন্দিয়াগী ওইনদি মথক্তা পনখ্রিবা মণিপুরগী মফমশিং অসিখক্তদা ফংই। অতোপ্পা মফমশিংদা ফংদে। তৌইগুম্বসুং হৌজিক্তি পেংবা অসি মহৌশাগী ওইবা মফমশিংদা ফংদ্রে। অদুবু মীওই কয়ানা য়োক্লদুনা ময়ামদা ফংহনবা ঙম্লি। হায়রিবা ঙা অসি মতম অমদা ঐখোয়গী লমদম অসিদা য়াম্না মরাং কায়না ফংলম্মী অমদি মণিপুর মীয়াম্নসু য়াম্না হাওনা চানরম্মী। তৌইগুম্বসুং ঙা অসিবু মুৎখিগদৌবদগী কলহৌননবগী থৌরাং অমা ওইনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী থৌশিল মখাদা পেংবা অসি মণিপুরগী ষ্টেট ফিশনি হায়না লাউথোকখিবনি।

পেংবা হায়রিবা ঙা মখল অসি ওমনিভরস ওইবা ঙা মখল অমনি। হায়বদি তীল-কাং অমদি পান্বী অনীমক চাই। অতোপ্পা ঙাশিংগুম্না পেংবা অসিসু পীক্লিঙৈ মতমদা হায়বদি ঙাগী অশাংবসি মিলিমিটর নিফু য়ৌদ্রিঙৈদদি জুপ্লাক্টন হায়বদি ঈশিংদা লৈবা অপীকপা তীলশিংনা মরু ওইনা চাই। তৌইগুম্বসুং ঙানা চাওখৎলকপগী মতুংইন্না পান্বী মচাশিংনা মরু ওইনা চাই। মহৌশাগী ঈশিংদা লৈবা ঙাশিংগী চাকখাও খাইদৎতুনা য়েংবা মতমদা পান্বী মচা-মচাশিংগী শরুক্লা চাদা হুম্ফুতরারোম ওই অমদি লেমহৌরিবা শরুক অদুনা জুপ্লাক্টন, দাইএটোমস, তীল মচা-মচাশিং অমদি ঈশংনা ওই। মরম অদুনা পেংবা হায়রিবা ঙা অসি নাপী মচা মচাশিং চাবা হৈনবা ঙা মখল অমনি। হায়বদি নাপী চাবীগা মান্নে। তৌইগুম্বসুং পেংবাদি অচৌবা নাপীশিংদি চাবা ঙমদে।

মতাং অসিদা পঞ্জনীংবা অমদি কৈথেলদা ফংলিবা মচল শুনা শেল্লবা মচিঞ্জাক অসি পীজদুনা পেংবা য়োকপা য়াই। তৌইগুম্বসুং হায়রিবা মচিঞ্জাকশিং অসিদি মমল য়াম্না তাঙই অমদি মণিপুরদা ঙা মচিঞ্জাক শেম্নবা ফীদ মিলসু লৈতবনিনা মপান লমদগী পুশিল্লকপা মঞ্জাক্কী মখা পোন্না য়োকপা তারকই নৎত্রগনা চেঙকুপ অমদি থাওথি তঙ্খাই তঙ্খাই য়ানশিন্নরগা ভিটামিন-মিনরেলগী মিকচর চাদা অমগী চাংদা য়ানবীদুনা পীজবসু য়াই। তৌইগুম্বসুং য়াম্না লায়না ফংবা য়াবা অমদি শেল চঙদনা পুথোকপা য়াবা মচিঞ্জাক হায়বদি চরাং, কং নৎত্রগা অতোপ্পা নাপী মচাশিং পীজবীবা য়াই।

মতাং অসিদা পঞ্জনীংবদি নাপী হায়রগা দকৱীদ হায়রগা খঙনবা ঈশিংদা তাওদুনা হৌবা কং মচা মচাশিং খুদম ওইনা হায়রবদা <u>লেমনা মাইনর</u>, দকৱীদ হায়রগা খঙনবা অমদি <u>ৱোলফিয়া এরাইজা</u>, ৱাটর মিল হায়রগসু খঙনবা য়াম্না কূপ্পা কংকুপ পীজবনা য়াম্না কান্নগনি। মরমদি হায়রিবা পান্বীশিং অসিদা প্রোতিনগী চাং য়াম্না য়াওই, ইসেন্সিএল এমিনো এসিদ খুদম ওইনা হায়রবদা লাইশিন অমসুং মেথিওনিনগী চাং অসি অতোপ্পা পান্বীশিংদগী য়াম্না হেন্না য়াওবা মরম্না শা-ঙাশিংদা য়াওবা প্রোতিনগা য়াম্না মান্নে। অতেনবা মতমদা মচা য়াম্না পোকপা মরম্না য়াম্না থুনা অমদি য়াম্না পুথোকপা য়াই। মসিদসু নত্তনা পান্বীদা য়াওবা এর্ন্টি ন্যুত্রিসনেল ভেল্যু য়াম্না নেম্মী। হায়রিবা কংকুপ অসিনা ঙা মচিঞ্জাক শেম্বদা প্রোতিনগী শরুক ওইগদৌরিবা ফিশ মিল নৎত্রগা নুঙহৱাইগী মহুৎ শিন্দুনা ঙা মচিঞ্জাক্তা চংগদৌবা শেল য়াম্না হন্থহনবা ঙমগনি।

মথক্তা পঞ্জখ্রিবা <u>ৱোলফিয়া এরাইজা</u> হায়রিবা কংকুপ মখল অসি মণিপুরদা হান্নদগী ফংজবা কংকুপ মখল অমনি। তৌইগুম্বসুং মসিগী শীজিন্নফম থিজিল্লুদবনা কনামত্তনা মসিবু য়োক-খৎলুনবা হোৎনরুদবা মরম্না হৌজিক্তি য়াম্না তাঙনা ফংই। মীওই খরা অমনদি মশক শুকউ উদ্রি হায়বসু য়াওই। অদুবু থিরবদি অদুমক ফংগনি। করিগুম্বা মণিপুরদা ফংদবা থোক্লবসু য়ূমলোন্নবা লৈবাকশিংদা য়াম্না মরাং কায়না ফংবা কংকুপ মখল অমনি।

<u>লেমনা</u> হায়রিবা কংকুপ মখল অসি ঐখোয়না য়াম্না তোয়না থেংনরিবা মনা অকোয়বা অনী অহুম পুশিল্লগা পানবা কংকুপ অদুনি। হায়রিবা কং অসিগী মতাংদা ময়াম্না হেন্না খঙবীরবা ৱাফম অমনি মদুদি পুখ্রি, খোংবান অমদি ঈশিং খরা তুংবা মফমদা পংহৌদা হৌই। অদুগীসু মথক্তা নোং খরা চুরবদি মচা য়াম্না পোক্তুনা শেংদোকপা ঙম্নদবা কং মখল অমনি। হায়রিবা কং মখল অসি চিথেক নাইবা পুখ্রি মচা মচা শেন্বীদুনা য়োকপীরবদি ফজনা পুথোকপা ঙমগনি। মসিগীদমক্তদি পুখ্রিশিং অদু য়াম্না লুহনবীরোইদবনি অমদি লৈহাও ফজনা লৈননবা ষম্থি কিলোগ্রাম লিশীং তরা পরি অমগী পুখ্রিদা হাপ্পীগদবনি অমদি চয়োল খুদিংগী য়ুরিয়া কিলোগ্রাম ১০ অমসুং সিঙ্গল সুপর ফোসফেট কিলোগ্রাম ১৫ পরি অমগী পুখ্রিদা হাপ্পীগদবনি। আইন কায়না ঙা ফাবগী থৌওংশিং মরু ওইনা হু চেনবা হীদাক শীজিন্নদুনা ঙা ফাবা, বোম পোকখায়হন্দুনা ঙা ফাবা, ইলেক্ট্রিক্ট শীজিন্নদুনা ঙা ফাবা অসিনচিংবা থৌওংশিং অসি থিংননবগী থৌরাং লৌখৎহৌদ্রবদি ঐখোয়গী অকোয়বগী ফীভম কায়থরকপগী ফল অসি তুংদা লাক্কদৌরিবা মীহৌরোলনা শুংশোয় শোয়দনা থেংনরগনি।

চাওখৎলকপগী মতুংইন্না ঐখোয়গী অকোয়বগী ফীভম কায়থহনবগী খুদোংচাদবা কয়া লৈরবসু মৈহৌরোলদগী ঐখোয়গী লমদম অসিদা চৎনরক্লিবা থৌওং কয়া অকোয়বগী ফীভম কায়হন্দনবগীদমক লৈরি। থৌওং খরা পল্লবদা লাইশঙ লৈবা মফমদা লৈবা পুখ্রদগী ঙা ফাদোক্তবা, পাৎ নৎত্রগা তুরেলদগী ঙা ফাবদা পাৎ নৎত্রগা তুরেলগী অকোয়বদা লৈবা মীওই পূম্নমক পূন্না অকক্লবা মতম অমত্তদা ঙা ফামিন্নদুনা লেমহৌরিবা মতমশিংদা ঙাশিং অদু মরূম কোকপা অমদি খরা চাওখৎত্রিবা মখৈ ফাদোক্তবা অসিনচিংবা থৌওংশিং অসি অহল লমনশিংনা পাঙথোক্লম্বদগী হৌজিক ফাওবা মফম কয়াদা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। অকোয়বগী ফীভম কায়থরকপদগী মশীং য়াম্না হন্থরক্লবা ঙাশিংদি ঙারোই, ঙাতোন, ঙাতেন, শারেং খোইবী, ঙানপ, শানা ঙা, ঙানোই, চীং উকাবী, মৈতৈ শারেং, ঙাৱা, মৈতৈ ঙাক্রা অসিনচিংবনি। হায়রিবা ঙাশিং অসিগী মচা পুথোকপা অমদি য়োকপগী থৌওংশিং পায়খৎত্রবদি মতম খরগী তুংদদি হায়রিবা ঙাশিং অসি পুন্মাং মাঙখিবা য়াবগী কিনীংঙাই ওইরে।

লৈঙাক অমদি মরী লৈনবা লোয়শঙশিংনা মীৎয়েং চঙবীদুনা পায়খৎপা য়াবা থৌরাং পায়খৎপীরবদি ঐখোয়গী তুংগী মীরোলগীদমক্তা খরমখৈদি কনবা ঙমগনি। মসিদসু নত্তনা ঐখোয় মীপূম খুদিংমক্না অকোয়বগী ফীভম কায়থরকপা অমদি মতম খরগী তুংদা মুৎখিবা য়াই হায়না চিংনরিবা অতাঙবা ঙাশিং অসিবু কনবগী ৱাখল্লোন ফাওবীদুনা পায়খৎপা য়াবা থৌদাং পায়খৎপীরবদি তুংগী মীরোলগীদমক্তা য়াইফবা ওইগনি নৎত্রবদি তুংদা লাক্কদবা মীরোলনা হৌজিক লৈরিবা ঐখোয় পূম্নমক্তা ৱারৌগনি।

মচল শুনা শেল্লবা মচিঞ্জাক ঙাক্তা পীজবনা কংকুপ খক্তং পীজবদগী ঙাগী ঙাথোক হেন্না পুথোকপা ঙম্মী। তৌইগুম্বসুং কংকুপ অমদি মচল শুনা শেল্লবা মচিঞ্জাক তঙ্খাই তঙ্খাই য়ানশিন্নদুনা পীজবীরবদি অশেম্বা মচিঞ্জাক খক্তমক পীজবা অদুগা থোইদোক্লা খেন্নবা লৈতে। মরম অদুনা কংকুপ তঙ্খাই অদুগা মচল শুনা শেল্লবা মচিঞ্জাক তঙ্খাই ওইনা য়ান্নরগা পীজবীবা অসিনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ।

ঙা য়োকপা মতমদা চঙবা শেলগী চাদা ৬০দগী ৭০দি ঙাগী মচিঞ্জাক্তা থাদগদবনি নৎত্রবদি ঐখোয়না পাল্লিবা ঙাগী পোথোক অদু ফংবা ঙল্লোই। অদুগীসু মথক্তা মণিপুরদা ঙা মচিঞ্জাক পুথোক্লবা ফীদ মিলসু লৈতবা মরম্না মপান লমগী মচিঞ্জাক্তা মীপান তাংবা তাবনি। তৌইগুম্বসুং শেল ইচং চঙদনা ৱোলফিয়াগুম্বা কংকুপ য়োক্তুনা পীজবীরবদি ঙাগী পোথোকসু হেনগৎহনবা ঙমগনি অমদি ঙামীশিংগী শেন্দোংসু হেন্না লৈহনগনি। মরমশিং অসিনা শেল চঙদবা মওংদা ঙাদা কান্নবা মচিঞ্জাক পীজদুনা ঐখোয়গী ইরমদম অসিগী ঙাগী অৱাৎপা মেনখৎনবা হোৎনমিন্নরসি। ●